## থাঙ থারগেনা ঙাইবা মাল্লি

### মণিপুর অমসুং মীতৈনা কমদৌহৌবা

মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা 'মীতৈ' শিংদা 'এন্টি-ইন্দিয়া' গী ৱাখল্লোন চেনবা হৌরো হায়দুনা ইনশিনবগী ৱাফম নত্তে। অদুবু ষ্টেটসিদা চহী ২ হেন্না মায়োক্নরক্লিবা ফীভমসিদদি তোঙান-তোঙানবা ৱাহং কয়া থোরক্লে হায়বনি। ৱাহংশিংসি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিবু হকথেংননা মায়োক্নরক্লিবা 'মীতৈ' হায়বা ফূরুপসি খক চিংখৎলগা হংলক্লবসু ৱাহংশিংসিনা কোনশিল্লিবদি পীক্লবা ষ্টেটসিদা লৈরক্লিবা অপীকপা ফূরুপ পূম্নমকসু য়াওরিবনি। মশীং খরা পৌবা মীতৈশিংনা ঈয়াইগী কোঙ্গোলদৌনা তাকখ্রগদি মীতৈদৌনা মীশিং য়ামদ্রিবা অপীকপা ফূরুপ মচাশিংসিদি হিংহৌখিগদ্রা হায়বনি। মণিপুর অমসুং মীতৈগী শাংলবা পুৱারীশিং লোইনা কোংথোকপগী ৱাফম নত্তে। 'পোইরৈতোন খুন্থোকপা' দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা হিংলক্লিবা মীতৈশিংসি জঙ্গলদা, নারক-মোংশোংদা লৈবা মতু পানবা 'শা' শিং নত্তে। মশাগী নাৎ-চৎনবী, লাইনীং, লোল অমসুং ময়েক লৈজরকপা ফূরুপনি। থেঙ্খাং খরদা মশাগী নীংতম্না হিংজবা পূন্সি মরেলগী মশক মাঙলুরে। অদুবু মশাগী নীংতম্বা অমসুং মশক মাঙহন্দনবা থৱায় ফাওবা থাদোক্তুনা হোৎনরকখিবা ফূরুপনি। মায়থীরগনি খঙলবা লানফমদগী ফাওবা মায় লৈদুনা তুং হল্লগা চেল্লকখিদবা কাঙবুনি। অদুবু ফূরুপসিনা ঙসি ফাওবদা মীওইবগী লীচৎ অমসুং মহৌশাগী পূন্সিগী চগোদগী খোঙ থাংদোরক্তুনা চৈ কানবা থবক অমত্তা তৌখিদ্রি। মীয়োক-মীচান ফবা অমসুং হৌন-লোনচৎ খঙনা চৎপা ফূরুপশিংগী মরক্তা অমা ওইদুনা লৈরক্লিবনি। অদুবু হৌজিক চহী ২ হেল্লক্লবা ফীভমসিনা মণিপুর অমসুং মীতৈশিংবু করি ওইহল্লক্লবগে হায়বনি। ৱাফমসি চিন্দোন-লৈতোনদা পল্লককই হায়দুনা অসুক চাওখৎলবা ঙসিগী 'স্পেস' অমসুং 'এ আই' গী থাকসিদা মীতৈনা পূক্নিং ৱাখল খংপীক-পীকশিল্লসি হায়বা নত্তে। মালেমসি অমত্তা ওইমিন্নবা 'গ্লোবেলাইজেশন' গী থাক য়ৌশিল্লক্লবসু মীতৈদি মশাগী অমসুং মফূরুপকীদমক খন্দুনা লৈরসি হায়বা নত্তে। থৌওংসিনা মালেমগী মীয়ামদগী তোঙান তানবা হোৎনরসি হায়বসু নত্তে। মালেমগী মমিং লৈরবা অফাওবা অইবা (কবি) অমনা ফাওবা 'নো মেন আর ষ্ট্রেঞ্জ, নো লেন্দ আর ফোরেন' হায়রম্বা ফাওবা লৈরিবনি।

অদুবু মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা ফূরুপশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মশীং য়ামজদবা অপীকপা ফূরুপশিংসিদি ঙাকপী-শেনবীদুনা য়োকখৎপীগদবা নৎত্রা? অচৌবা ঙানা ঙা মচা য়োৎশিনবদৌনা য়োৎশিনখিবা নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা ফীভমশিংদগী খোঙ্গুল ফাওবা মুৎহনখিবদি চুন্ত্রা? ঙসিগী মালেমসিগী অচুম্বা মচৎ অমা ওইগদ্রা হায়বনি। ৱাহংসিগী পাউখুম অরুবা নত্তে। য়াম্না লায়না অমসুং ময়েক শেংনা লৈ। মালেমসিদা ফূরুপ মখল কয়া লৈরম্বগে, হৌজিক্না কয়া লৈরগে, পুম্মুৎ মুৎখিবদগী লৈরম্মী হায়দুনা ৱারিনহৌবনা কয়ানো? ৱাহংসিগী পাউখুমদা লোয়নমক ময়েক শেংনা য়াওজরবনি। ফীভমসি ওইরকপদগীনি হৌখিবা ওগষ্ট ৯, ২০২৫দা মালেমগী মফম শিনবা থুংনা 'মালেমগী য়েল্লৌমীগী নুমিৎ' হায়দুনা থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রিবনি। মরমশিং অসিনা লোইনমক শুপচিন্না য়েংলকপদা মীতৈদা তারকপনি। ৱাফমসি হায় হায়দুনা ফূরুপসি ঙসি-হয়েং প্রপ-প্রপ মুৎখ্রগনি, উৎকী মপৈ ওইনা তুমখ্রগনি হায়বা নত্তে। মিপাই-থবাইবা পোকহনবা অমসুং ঈরাং তৌরকউ হায়দুনা কায়হৌবসু নত্তে। হৌজিক ওইরিবা, খ্বাং কোইরিবা ফীভমশিংসি থাওমৈনা মুৎলমদাইদা ঙাল্লি হায়বদুনি হায়না হায়বা য়াদ্রিবরা হায়বনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হোম মিনিষ্ট্রিনা মচিন মৈ মুরক্তুনা ঈং-তপ্পা মহৌশাগী ফীভমদু হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনরক্লি। লানসিগী মায়োক্তা করিমত্তা তৌবা ঙমজখিদ্রবা ষ্টেট লৈঙাক্তু ঙবোং খাও মনুংদা হাপচিনখিবদগী অনৌবা লানফম হেনগৎলক্লে। অরিবা লানফমদগীসু নোংমৈ-বোমগী মখোল তাদ্রে। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক ৱারী শানদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈহনফম থোকপা ফীভমদু লৈহল্লে। মসিদগী হেন্না মমল য়াম্বা মায় পাকপা অমমুক লৈত্রে। লান শোক্নরক্লিবা ফূরুপ অনীগী মহুৎ-শিনবা লূপশিংগী লুচিংবশিংগসু ৱারী শানবা হৌখ্রে। তাঞ্জাসিদা নঙ্গলদা পোরিবা অঙাংনা পম্মু হায়দুনা নীংঙাই তৌরকই হায়বদুদি নত্তে। হায়বদি ঙাইঙম-শিংঙমদবা নত্তে। ফূরুপ অমনা তপ্না-তপ্না মুৎলমদাইদা করি-করম্বা ফীভমশিং হান্না ওইরকপগে হায়বরোমদা ওইনা অৱাই-অখুম তৌনবনা অচুম্বা, তৌফম থোকপা থবক ওইরক্লগনি হায়বনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ অদুৱাইদগী 'এমসু অমসুং এমস্কোক' না মণিপুরদগী মীতোপ তান্থোক্কদবনি হায়বগী অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। কুমজা ১৯৫১দা পাদম লাক্লগা মীতোপ খন্দোক্কদবনি হায়খি। অদুগা ঙরাং-নহান খক্তদগী আই এল পি চৎনহনবীরক্লবনি হায়দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংবু লাই মচাদৌনা অতিয়া পক্না থাঙ্গৎলম্বা লৈঙাক্তুনা কুমজা ১৯৫১বু বেজ য়র ওইহনবদা য়াখিদে। কুমজা ১৯৬১দা ওইগদবনি হায়দুনা কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌখি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লক্লবসু ষ্টেটসিদা য়েল্লৌমীশিং নত্তবা মীতোপ কয়া য়াম্না লৈরিবগে? লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিব্রা? চঙশিল্লত্রবরা? চঙশিল্লক্লগনা কয়ানো? ওগষ্ট ২০, ২০২৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা অসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেল, লেফটিনেন্ট জেনরেল বিকাস লাখেরানা হায়খিবদু মমাঙ চহী ২০২৪গী দিসেম্বরদগী মণিপুরদা মীতোপ লিশীং ৪২ রোম চঙশিল্লকখ্রে হায়বা ওইরমান্নে। অদুসু ওফিশল ওইবা দোক্যুমেন্টতা রেকোর্দ তৌরবশিং খক্তংনি। হায়বদি বাইওমেট্রিক্স খোমজিল্লবশিংনি। অদুবু হায়রিবা থবকসি পাঙথোক্ত্রিবা মীতোপশিংদি লৈরম্লরোইদ্রা হায়বগী ৱাফমদি হংফম থোক্তত্রা হায়বনি। হোয়, মীতৈশিংবু অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী শুপ্নতগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দগী হেন্দোকপা য়াদ্রে অমসুং মীতোপ ময়াম চঙশিল্লক্লে, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবশিংগী খোঙফমসু হন্দোক্ত্রে হায়দুনা মণিপুরগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়রনি অমদি মীতৈ মুৎলনি হায়বা নত্তে। মুৎলমদাইগী মৈরিনা ফেরে-ফেরে হাইবদৌনা হাইবা হৌরকপঙম্বগী মনুং চল্লব্রা হায়বনি। মীতৈ ইপা-ইপুগীদি 'শারিঙৈদা য়েহৌ' হায়বগী চুমখ্রবা ৱাফম লৈ। অদুবু অঙম্বা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মতম শাংনা লৌরকপনিনা মখোয়গী 'হিদ্দন এজেন্দা' অমা শোয়দনা লৈগনি। এজেন্দাদুনা লান্নংলক্লিবা মীয়াম্না চিংনরক্লিবসি ওইরম্লগদি কুক্ষে তানি। লায়নাসি থাঙ থারগেনা ঙাইবা মাল্লিকো!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

### (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৩৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

চীঙশোং নিংথৌ খুৎকননা পাননা। পোইরৈ তমদা লৈবা। ৱাংঙম তমদা লৈখিবা। অকাওচম তোমখৈবগী মচানিপা। চেকাইমকালাবা মিংকৌবনা। অপোকপা মপা নিংথৌগীদমক। লৈকাই পুরুবা অওন লুক। লাঙপল অওন লুককুম। ৱাৎপা তাবা লৈতনা। ললশিংলমলে। লাঙপল ৱুযুং শুক। শুকমু শুকলেল মতোন পংবা। হুয়াই অহোংকৈদা ফুরুবগী। ময়ুমদা হললকতরে। যুমগী তাললোই নুপী। লৈমা অবুং মচনথেমবীনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

### (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -(꯶꯳꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯢꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ॥)

ꯆꯤꯡꯁꯣꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯈꯨꯠꯀꯟꯅ ꯄꯥꯟꯅ॥ ꯄꯣꯢꯔꯩ ꯇꯝꯗ ꯂꯩꯕ॥ ꯋꯥꯡꯉꯝ ꯇꯝꯗ ꯂꯩꯈꯤꯕ॥ ꯑꯀꯥꯎꯆꯝ ꯇꯣꯝꯈꯩꯕꯒꯤ ꯃꯆꯥꯅꯤꯄ॥ ꯆꯦꯀꯥꯢꯃꯀꯥꯂꯥꯕ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯅ॥ ꯑꯄꯣꯛꯄ ꯃꯄꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤꯗꯃꯛ॥ ꯂꯩꯀꯥꯢ ꯄꯨꯔꯨꯕ ꯑꯎꯟ ꯂꯨꯛ॥ ꯂꯥꯡꯄꯜ ꯑꯎꯟ ꯂꯨꯛꯀꯨꯝ॥ ꯋꯥꯠꯄ ꯇꯥꯕ ꯂꯩꯇꯅ॥ ꯂꯂꯁꯤꯡꯂꯃꯂꯦ॥ ꯂꯥꯡꯄꯜ ꯋꯨꯌꯨꯡ ꯁꯨꯛ॥ ꯁꯨꯀꯃꯨ ꯁꯨꯛꯂꯦꯜ ꯃꯇꯣꯟ ꯄꯪꯕ॥ ꯍꯨꯌꯥꯢ ꯑꯍꯣꯡꯀꯩꯗ ꯐꯨꯔꯨꯕꯒꯤ॥ ꯃꯌꯨꯝꯗ ꯍꯂꯂꯀꯇꯔꯦ॥ ꯌꯨꯝꯒꯤ ꯇꯥꯂꯂꯣꯢ ꯅꯨꯄꯤ॥ ꯂꯩꯃ ꯑꯕꯨꯡ ꯃꯆꯟꯊꯦꯃꯕꯤꯅ॥ ●

## ৱারেপ অমা

### (ৱারী ওইনা ইজরক্কে ঙসিসু অমুক্কা অদোমসু অহল ওইরক্লবদি...)



**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঙসি নোং ঙানফাত্রিঙৈদা বোমচানা মবোক্কী কাগী থোঙ হাংলুই। কা অদু মবোক্লা ফমুংদা অমদি ফম্মাঙদা মপাল থোকচিনবগী মনমনা শীন থুংই। থোঙ হেক হাংবগা ফমুং মথক্তুদা শূরু শূরু নৈশিল্লগা লৈরিবা মবোক্কী শেগায়রবা ফিরোল অমদি মোৎলবা মোম্পাকফিদক অমদি চৈখোক নামা তেক্লবা কাঞ্জল অদুতমক উই। বোমচা মায়থোঙ খংমক মকশিল্লি। মিহুন দং-দং হুল্লকই। মবোক কদাইদা চৎলমগনি হায়বা ৱাখলসিনা মাবু তপথহন্দ্রে। মবোকপু মানা কা মনুংদুদা কোয়না য়েংলকই।



নহানমখৈদি য়েনখোং অহানবদগী মবোক্লা শোন্থাংননা ৱা ঙাঙবা, লোক খুবা, নাহেবা, মপাল ইপাল থোকপগী মখোল তাবনি। করিগী মবোক্লা ঙসি তূমিন্না অসুম্না লৈরিবনো খঙনীংদুনা বোমচানা থোঙ অদু হাংলুবনি। বোমচা বোর্দিংদগী য়ূমদা লাকপা নুমিৎ মঙানিদা ঙায়রি।

মপাদা তহা তহানা ৱাদু তন্নম্নগা মশা মতোমতগী ৱাখলনা চিংলগা পন্থবা তৌদনা বোমচা মবোকপু থিবা থোঙ্গাল লানখ্রে। মহাক্লা য়ূমদগী থোরকপা মতমদা ইমুংগী মীশিংনসু মবোকপু থিনহৌরে। নুমিদাংগী করম্বা মতমদা মবোক্লা লোন্না কা অসি থাদোক্তুনা করিগীদমক থোকখ্রিবনো মহাক খঙদে। চহী মরিফু শুরবী মবোক্কী পূক্নিংদা মতম কয়া তূংদুনা লাক্লবা করম্বা ৱাখলগী ঈফুৎ অমা নমখায়রকপনো হায়বসু বোমচানা খল্লুবা ঙমদে। মবোক্লা অসুম্বা খোঙথাং অসি করিগী লৌখৎলিবনো নৎত্রগা মবোক অসিবু অহল ওইরকপগী চোইত্রং পাত্রং তৌরক্লবা হায়বদুরা হায়না বোমচানা খল্লি।

খোংবানদা, অনকপা তুরেল খোংবালদা অমদি লম্বীদা তহা তহানা মবোকপু মৈ কাপ্তুনা থিবা চৎলি। মতম মাঙহন্দে তহা তহাই। চৎপদা মঙম শান্দ্রবা মবোক্লা পঙলাপ লাপ্না চৎলম্লোইদি খল্লি। মীৎতগী তারক্লিবা পিগী ঈরাদু ফূরীৎ খূদাংনা ঙাইহাক লৈতনা তৈথোকই। শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লি, চৎলি-চেল্লি। মবোকপু মচীন্দা কৌ কৌদুনা চৎলি, চেল্লি, অমুকসু শ্রোৎ লাউরকপদা লেপ্পী। নোং ঙান্থোরকই।

লৌরীদা চেন্না-চেন্না মমীৎতা উরকই-মবোক্লা মাবু অঙাং ওইরিঙৈদা ইরুজবিখিবা, চরা ৱালহনবীখিবা, অচাপোৎ লৈবিরকখিবা, পোবিখিবা। মানা বোর্দিং চঙলমদাইদা মনঙ্গলদা মক্রিং কারবী মনম পোল্লবী, মঙৈ নীক্লা-নীক্লা মবোক্লা ঙাওশিন্নগনুকো হায়খিবা, মবোক্লা মশাগী চাক চাবগী কোল ফেঙবা, ফি শূবা-চাম্বা, চাক থোংজবা, ঈরুজনবা ঈশিং লুম্বা, করিগুম্বদা মবোক্লা মাবু পোকপা-পোকপী মমা-মপাবু অঙাং মচা অমগুম্না কৌ-কৌদুনা ঐবু লৌবা লাকপীরো হায়দুনা কপ্পা পূম্নমক উরক্লি, নীংশিংলক্লি।

মবোকপু থিবা য়াবা থিরে, ফংদ্রে। মহাক য়ূমদা নুমিৎয়ুংবা মতমদা মহাক্লা মবোকপু পুরকপগী মহুত্তা খম থেংনা মকশিল্লবা মায়থোঙ পুরদুনা হল্লকই। শূমাঙ হেক য়ৌবগা ময়াম্না কপ্পবদু উই, মমাসু মায় লুকথরগা মাঙ্গোলদা লেপ্লী, মপানা মমাদা খোঞ্জাউ থাদুনা চৈরম্মী,

"মসি পূম্বসে নঙনা থোকহনবনি নঙনা। নঙনা ইমাদা ঈংখ্রবা নীংথমথাদা ঈশিং অঙৈংবা হৈজিনবীখিবা, ইমাবু নঙনা শূমাঙদা শোরো-শোরো লাক্তুনা চিংখিবা ঐ লোইনা কাউদ্রি, নহাক য়াম্না ফত্তবা নুপীনি।"

ঙসিদি মবোক মাঙখ্রবা মতুংসিদা বোমচাগী মপা থৌনা য়াম্না ফরন্লি।

ঙাইহাক্কী মতুংদা ফেসবূকতা ফোটো অমা থাগৎনরকই। মল্লবা ফি ময়োম অমদা মোনখাঙনরগা কৈথেলগী চিদাইদা তূল্লিবী হনুবী অমগী শক্তম অমা। ●

## হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ব্রহ্ম-কমল # ৫০৩

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —

চীফ সাইন্টিষ্ট

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট

ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী শেংবা পাম্বীশিংনি হায়না লৌনরিবা পাম্বীশিংগী মনুংদা ব্রহ্ম-কমল পাম্বী অসিসু অমনি। উত্তরখণ্ড (Uttarakhand) রাজ্যগী ষ্টেট ফ্লৱর (State flower) ওইনা শকখঙলিবা ব্রহ্ম-কমল পাম্বী অসি ইংলিসতা সেক্রেদ সৌসুরিয়া (Sacred Saussurea), হিন্দি, নেপালিদা ব্রহ্ম-কমল (Brahma Kamal), টিবেটানদা লুগ রতসি দো বো (Lug Rtsi Do Bo), পঞ্জাবীদা ব্রহ্ম-কনৱাল (Barmh-Kanwal), চাইনিজদা বাও য়ে শু লিয়ন (Bao ye xue lian), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা সৌসুরিয়া ওভালাতা (Saussurea obvallata (DC.) Edgew.) হায়না কৌই অমসুং এসটরেসী (Asteraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি নুমিৎলৈ পাম্বী সনফ্লৱর (হেলিয়ান্থস এন্‌স), সনারৈ পাম্বী - মেরিগোল্ড (টাজেটিস ইরেক্তা), তেরাপাইবী পাম্বী - ফায়র ৱীড (ক্রাসোসেফালম ক্লেপিদিওইদিস) অসিনচিংবনি। ব্রহ্ম-কমল পাম্বীগী জেনেরা সৌসুরিয়া হায়বসি অৱাংবা চীংশিংদা থিজিন-হুমজিনখিবা ফাওরবা বিজ্ঞানিক হোরেশ বেনিদিক দি সৌসুর (Horace Benedict de Saussure) কী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি অদুগা স্পিসিস্‌কী মমিং ওভালাতা হায়বসিনা ওভালাটস (Obvallatus) হায়বসিদগী থোনখিবনি অমসুং মসিগী ৱাহন্থোক্লা কুয়োম্না য়োমশিনবা হায়বনি। মরমদি পাম্বীগী মশা অদু লৈনা মানবা (Bract) শিংনা য়োমশিল্লি।



লৈশিংগী নিংথৌ (King of flowers) হায়নসু খঙনবা ব্রহ্ম-কমলগী থোইদোক-হেন্দোকপা মগুণশিং অসিনা মরম ওইদুনা হিন্দু অমসুং বৌদ্ধ ধর্ম্মশিংদা অচৌবা মফম অমা কল্লিবনি। পাম্বী অসি লোর্ড শিব (Lord Shiva) অমসুং লোর্ড ব্রহ্ম (Lord Brahma) গা শাগোন্নৈ হায়না লৌনবদগী পাম্বী অসি ঈরাৎ-পুজা তৌবদা হাপ্লে। বৌদ্ধ ধর্ম্মগী মতুংইন্নসু ব্রহ্ম-কমল পাম্বী অসি মীওইবগী আত্মাগা মরী লৈনৈ হায়না লৌদুনা লাইশোন-তিনশোন তৌবদা হাপ্লে। বদ্রিনাথ (Badrinath) কী লাই খুরুম্বদা ব্রহ্ম-কমল অসি য়াম্না পাম্না কৎনৈ। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৮২দা ব্রহ্ম-কমলগী মমিংদা অমদি ফোটো হাপ্তুনা পোষ্টেল ষ্টাম্প (Postal Stamp) অমা পুথোকখি।

ব্রহ্ম-কমল অসি সেন্টিমিটর ৩০ রোম ৱাংবা অথোৎপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি অৱাংবা চীংগী মফমশিং সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৩৭০০তগী ৪৬০০ ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না ব্রহ্ম-কমল পাম্বী অসি ইন্দিয়া, ভুটান, নেপাল, পাকিস্থান অমসুং খা-নোংচুপ থংবা চাইনাগী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। ইন্দিয়াগী গরৱালদা লৈবা ভেলি ওফ ফ্লৱর্সতা ব্রহ্ম-কমল পাম্বী অসি থোইদোক্লা পাক শন্না হৌই। থম্বালগী মওংদা লৈ শাৎপা পাম্বী অসি লৈবাক মনুংদা মউ তাই। পাম্বী অসি চহী কয়ামরুম পূন্সিজরবসু লৈমায়গী মথক থংবা শরুক অদু ওক্টোবর থাদগী কংশিনখিদুনা অমদি শিখিদুনা লৈনুংগী মউ অদুনা হিংদুনা লৈ অদুগা এপ্রিল থাদা অনৌবা ময়োল অমুক চোংখৎলক্তুনা জুলাই-ওগষ্ট থাদা লৈ শাৎলি। পাম্বী অমত্তদা লাবা অমসুং অমোমগী কয়াৎশিং অদু লৈ অমত্তদা পূন্না পানমিন্নৈ অমসুং হকতিন্নবগী থৌওং অদু তীলশিংনা লৈ অদুদা তোংদুনা লৈহি চূপ্লগা তৌই। অৱাংবা নাপী ইহৌ হৌদবা মফমশিংদসু ব্রহ্ম-কমল পাম্বী ময়াম অমা লৈ শাৎপা অদু য়েংবদা পূক্নিং হুনীংঙাই ওই।

ব্রহ্ম-কমল পাম্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী অনা-লায়েং কয়ামরুমদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। পাম্বী অসিদা প্রোটিন, এলকালোইদশিং, ফ্লেভোনোইদ, ফিনোল, সেপোনিন অমসুং টর্পিনোইদশিং চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং থোইদোক্লা য়াওই। খুদক্কী ওইনা অশোক-অপন তৌদুনা ঈ য়াম্না থোকপদা ব্রহ্ম-কমলগী নৌতক তৌবা মউ অদু ফজনা চামথোক্লগা খোনগুম্বা অমদা শুগাইরগা শেম্বা মচল অদু থোল্লগা লায়েংবগী চৎনবী অমা লৈ। মসিনা ঈ অদু থুনা খকহনবগী মথক্তা অশোকপা মফম অদুসু থুনা ওইশিলহল্লি। হায়রিবা অশেম্বা অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা ফঙ্গস হায়বদি কোকফাই-শুজানা থোকহনবা উনশাগী লায়নাশিং অদুসু লায়েংনৈ। ব্রহ্ম-কমলগী লৈ শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈবদা গাউট নৎত্রগা অর্থ্রাইটিস হায়না খঙনবা তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা অদুদা কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। ব্রহ্ম-কমলগী লৈ অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী ঈশিং মরী শোকপা অদু লায়েংনৈ। পাম্বী অসিগী মরূ অদু খোইহিদা তকখায়রগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা মায়দা চাং নাইনা তৈবদা মায়দা থুংবা ফুগ্রী নৎত্রগা উরিং অদু ফহনবগী মথক্তা মীওইবগী মায়থোঙ অদু কুচু-কুমেন ফজহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। লোক থুংবা অমসুং শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী লায়ওংশিংদা ব্রহ্ম-কমলগী মরা অদু হীদাক শেম্বদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা হাপ্লে। মীওইবগী পূক্নিং-ৱাখল লৈতাদবদা ব্রহ্ম-কমলগী মরূ অদু পীজবদা কান্নবা ফল ফংবগী পাউদমসু লৈ। পাম্বী অসিগী মনা অমসুং মউ অদু মীওইবগী হার্ট (থম্মোয়) অদু মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্মী। টিবেটানগী অরিবা লায়েং পথাপ্তা ব্রহ্ম-কমল অসি সেরেব্রেল ইসকেমিয়া (Cerebral ischemia) হায়না খঙনবা মীওইবগী থোপ্তা ঈগী মপাঙ্গল শোন্থবা অদু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। ●

## অশংবী

**- গুরুময়ূম নির্মল -**

চহী কুনমুক মমাঙগী ৱানি। অশংবীগী মবুং, মচানুপা অহলসে লুহোংবা চহী ফারকপদগী তোঙান চানীংবৈ মওং তৌরকপদুদা মমাগা তানৈ।

ইমা ঐখোয় তোঙান চারসি, অঙাং খরা ট্যুশন তৌরিবসিনা চাবা লেম-পানা কোন্ননি। তামোগী মওংসে ঐ য়াম্না হৈনরক্তে। ইনম্মগী মতৌসিগা লৈকায় মমাঙদা খৎন-চৈনরগা কাইনদৌ শরুক লেম্না ফজনা কাইনহৌবনা ফৈ। অশংবী মমাগা ৱা তানজৈ।

করিনো ইবেম্মা নঙনা নয়ূম পানখ্রগা ঐনা কনাগা অমুক চাহৌদোইবা?

ঐ য়ূমকা পাল্লোই, য়ূম পানবগী ৱাদো ঐঙোন্দা হৌদোরক্কনু ইমা।

শাওরংননা খুন্মী।

করি ৱানোদা ইবেম্মা নিঙোলনা মপামদা শিবা পাপনি হায়হৈদে।

পাপ ওইগেরা ওইরোইরা ঐ শুকপান পাল্লোই হায়রিসিনি হায়রম্লগা ফুক হৌগৎলগা থোকখি।

করি নুপীনোনে সিবো তকশি শোন্দুনা লৈহৌই মমা।

ইঙ্খোল, পূখ্রি ময়াগী হৈনৌ পাম্বী মখোঙদুদা ফম্মী। ঈশিংদা ঙা মোংলিবদো য়েংলুই। কাউগে খনখ্রবা অমা মথং-মথং নীংশিংলকই...

রঞ্জিৎকা অশংবীগা য়ুনিভর্সিটিগী হৈনৌ মখোঙদা ফম্মী, অশংবী ঈ কাখৈ শাওরি।

করিনো নঙনা চেল্লসি হায়রিদুবো লাইরিক তম্বসু লোইশিন্দ্রি, অদুগী মথক্তা ইমা লুখ্রাবীনি। লুহোংববু শেল য়াওদনা য়াব্রো, ঐ ঙমখিরোই।

ঐখোয় পাবুংদো কন্না নারি, মতম কুইনা লৈদৌ মান্দে। মাগী তৌফম থোকপা মথৌ লোইশিল্লম্লগে, ইশু-ইমৌ মমিৎতা উরগা শিনীংই হায়। সে নঙনা য়ারা লোইরে। অওং অউনগীদি থোইনা খল্লুরনু।

অঙাং মচাশু নত্তনা করিগী তরক-তরক য়ূম পাল্লুনি। লৈকায় মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুমনা করিগী লৈরুনি।

নুমিৎতুদগী মাগা রঞ্জিৎকা উনখিদ্রে। মমান্নবীশিংনা পাউ তম্বদগী খঙলে রঞ্জিৎ নুপী অমগা লুহোংখ্রে। মপাসু লুহোংবা মতুং ইকুই কুইদনা লৈখিদ্রে।

অশংবী নুংঙাইতবদি পোকখি অদুবু খনখি, ফরেদা মখোয় নুংঙাই-য়াইফনা পানখ্রসনু। ঐ করিমত্তা কল্লকপসু পোক্ত্রে। ৱাজরক্লবী ইমাগী থৌগল মপূং ফানা তৌরমগে। তাঞ্জরিবা লন-থুম খরসিনা লুখ্রা ওইবীশিংগী হোম অমা লিংখৎতুনা লেমহৌরিবা পূন্সিসি লেল্লগে।

অশংবী হাঙলবা শংবান্নবা অতিয়াদা য়েংই, মোমোন তৌজৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।